## এদিটোরিয়েল

# উমং লাইবু অতোপ্পদা শিন্নবা
# সরকারগী অঙাওবা ফিরেপ তাহনগুমসি

কংলৈ লমদম্না মণিপুর কৌদ্রিঙৈ,খৃষ্টনা পোক্ত্রিঙৈ ,লাইগা মীগা শম্নরিঙৈ মতমদগী হৌরগা ঙসি ফাওবদা কংলৈ মীয়াম্না উমং লাইবু অদুক্কী মতিক থাজদুনা লাকখি। মোইরাং কংলৈরোলগী ৱারীদসু উমং লাই হরাওবগী তাঙ্কক কয়া ময়েক  শেংনা থম্বগা লোয়ননা লমদম অসিগী মীয়ামগা উমং লাইগা শাগোন্নরগা লাকপগী ৱারী ঙসিগী লৈঙাক মপুশিংসু খঙলমগনি,খঙফমসু থোকই। উমং লাইদা অমাং -অশোয় অমদি অরানবা তৌবা য়াদে হায়বসি পুন্নমক্না খঙনৈ।খুদম ওইনা পল্লবদা উমং লাই হরাওবদা চৎনরকপা লিক্লম অমদা মীতৈ বামোনশিং থৌগল তৌবা য়াওনদে, লাইবুং ফাওবা চঙদনা লাকই। অদুবু মতমগী হোংলক্লিবা ঈচেলনা ঙসিদি উমং লাই হরাওবদা মীতৈ বামোনশিংসু শরুক য়ারকপা পুন্নমক্না উন্নরি,খঙনরি। ইফোঙ ফোঙনা হায়নরবদা লমদম অসিবু উমং লাইনা মায়কৈ মরীদা ঙাক্লিবনি। কৌব্রু,মার্জিং,থাংজিং অমসুং ৱাংব্রেল হায়বসি লমদমসিগী পুৱারীগা শাগোন্নদুনা লৈরগদবা তৎন-থানবা য়াররোইদবা ঙাক্তনি। অসিগুম্বা  লাইফমশিং হায়বদি উমং লাই হরাওবগী থবক থৌরম খুদিংমক হিন্দু লাইনিং চৎলিবা কাঙবুশিংনা চল্লাইবা গোবিন্দজি টেম্পল  বোর্দকী মখাদা থমদুনা পনি দট লোইশঙগী অয়াবা লৌরগা উমং লাইগী থবক থৌরম খুদিংমক পাঙথোক্কদবনি হায়রিবা ৱাফমসি চৎনবা য়ারোই৷ মসিদি মীশিং য়ামজদবা ইন্দিজিনস পিপলশিংনা থাজদুনা লাৎচরিবা উমং লাইবু থৌওই উশিৎতবগী থৌওং ওইনা তাগনি। হিন্দু লাইনিং চৎপশিংগী ৱাখল্লোন্দা  বৃন্দবোন্দবু মখোয়গী  সর্গ ওইনা উবতা নত্তনা লাইয়ামশিংগী মফমনি হায়না লৌনরিবনিনা মীতৈশিংনা লুম্না লৌজরিবা উমং লাইবু মখোয়না য়াম্না লুম্না অমদি হকচিন্না কৈদৌনুংদসু লৌরোই। অমরোমদা,  লাইনিং অমবু  অতোপ্পা লাইনিং অমদি অতোপ্পা ধর্ম্ম চৎপা কাঙবুদা শিন্নবা হায়বসিদি ভারত লৈঙাক্না পীরিবা চৎন-পথাপ পু ফোঙনা শিংনবনি। ভারত্তি দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমা ওইবগা লোয়না সেক্যুলরিজমদা হেন্না থাজবা অদুগুম্বা লৈবাক্নি। ধর্ম্মদা খেন্নবা থমদবা, মীচং মীখায় নাইদবা হায়বা লৈবাক অসিগী চৎনরোল অমসুং ফজখ্রবা নিতি নিয়মশিং অদু ঙসি মণিপুর সরকারনা থুগায়দুনা ধর্ম্মগী অখুবা মিৎয়েংদা উমং লাইবু হিন্দু লাইনিং চৎপশিংদা শিন্নবা হায়বসিদি লমদমসিদা ধর্ম্মগী ওইবা অচৌবা লাঞ্জাও অমা থোক্লবা মণিপুর সরকারনা বার্ত্তন তৌবা ওইনা থোক্কনি।

উমং লাইবু গোবিন্দজি টেম্পল বোর্দতা শিন্নবা হায়বসি তাবদা মরিং মরাংবা অমা ওইবতা নত্তনা ঙসিগী লৈঙাক  মপুশিংগী ৱাখলদা ফাওরিবা ইহুল অদুনি ঙাক্লিবদি। মসিদা শৌগৎলিবা মণিপুরগী মীতৈ এমএলএশিং কদোমদা চৎখ্রে। ওপোজিসনবু ওইরো,রুল্লিংসু ওইরো ,লৈরিবা এমএলএ শিং অসিনা লৈবাক মীয়ামগী ইহুল খঙদবগী মরম্না করিগীনো? গোবিন্দজি টেম্পল বোর্দতা থৌপুরিবা মীওইশিং কনা কনানো, মখোয়গী মরক্তা মীতৈ লাইনিং অমদি মীতৈগী উমং লাইদা থাজবা মীগী মশিংনা কয়ামুক লৈরবগে হায়বদুসু লৈঙাক  মপুশিংনা খঙদোকপা চুমই।পামহৈবা নিংথৌনা মপুরোইবা লৈরবী নুপীশিংবু অপাম অপাম্বা খন্দুনা লৌবতা নত্তনা মশাগী লাইনিং ফাওবা শান্তিদাস গোশাইদা য়োহ্নোক্তুনা লমদমসিদা নমদুনা রমান্দি ধর্ম্ম চৎহনখিবা অমসুং কংলাদা মীতৈগী পুয়া পুন্নমক খোমজিন্দুনা মৈ থাদুনা মাঙহনখিবগী ৱাফম লমদমসিগী মীয়াম্না খঙনরক্তুনা ময়াং গুরু অমদি মখোয়গী মচা মশুশিংগী খোঙবী মচুম থক্লুবগী নিংঙমদ্রবা কয়ানা ঙসিদি মশাগী লাইনিং লিচৎতা হঞ্জিন্নরক্লবা মতমসিদা অমুক হন্না উমং লাইবু গোবিন্দজি টেম্পল বোর্দতা লৈঙাক মপুনা শিন্নবা হায়বসি অচুম্বা ৱাফম নত্তে। ধর্ম্মগী খেন্নবা থমদবা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক  অমগী মনুংদা লৈবা ষ্টেট মণিপুরদা ধর্ম্মগী অখুবা মিৎয়েংদা লৈঙাক  সাশন তৌনবা হোৎনরক্লবদি মদুনা শান্তি ওইবা লমদম অমা ওইহনবা ঙম্লোই। শান্তি লৈবা মণিপুর অমা ওইহনবা হায়বসি লৈঙাক মপুশিংগী  খুত্তা  লৈরে হায়বসিসু খঙজিনবা চুমগনি।

Naharolgithoudang